**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি।

২) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লালহৌবা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং
৩) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- ২০১৪ দগী হৌনা সরকার অসিনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবদা মরোমদোম চেপচনবা হোৎনরি।

------

ঈচাউ (এল) ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চ্বদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। মণিপুরগী মরুওইবা তুরেল কয়া লৌনম্বাল কায়বা অমদি তুরেল পাথবনা মরম ওইরগা ইম্ফাল সহর য়াওনা অতে মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ঙরাং ফাওবদা ইম্ফাল তুরেলগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা লৌনম্বাল কায়বদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখি। মসিদসু নত্তনা তুরেল অসিগী মফম অমদা ঈশিং পাথবদগী মনাক নকপদা লৈবা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখি। ঈশিং থুমজিল্লম্বা মফম খরদি হৌজিক ঈচাউগী ফিভম খরা

ফগৎলে। অদুমওইনমক মফম খরদদি নৌনা ঈশিং থুমজিল্লকপগী অৱাবা মায়োক রি।

মরক অসিদা, রাজ্য সরকারনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংননবা অকনবা থবক চথুরি। লোয়ননা ঈচাউনা শোকহল্লবা কেন্দ্রশিংগী এম.এল.এশিংনসু চান থকবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফংহল্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং য়াওনা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী মীহুৎশিং ফ্লড রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা য়েংশিল্লি। তঙাইফদবা হিদাক লাংথক অমদি লায়েংশিং লেপ্পা লৈতনা চথুরি হায়রি।

ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরিবা মীওই কয়া ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলসকী কাংবুনা তেংবাং পীবগী থবক চথুরি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মাইকৈদগী খঙহল্লকপদগী অসাম রাইফলস অমদি ভারত লান্মীগী কাংবুনা ওপরেসন জল রাহট-টু হৌদোকখি। ওপরেসন অসিগী মখাদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অঙাং ১৪৯ য়াওনা পুন্না মীওই ৪০৮ শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা দিফরেন্টলিএবল অমদি অহল ওইরবা মীওই ২০ লোম য়াওরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাইদগী অঙাং মাংখিবগী পাউ লাকপদগী ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলস চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। তুংদা অঙাংশিং অদু অশোই অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমখি।

পুলিস (এল) ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা লালহৌবা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ফেরজোল জিলাগী থানলোন পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থানলোন ভিলেজগী মফমশিংদা থিবা

হুম্বগী থবক চত্থবদা এস.বি.এম.এল গন অনি ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাইদা চত্থখিবা ওপরেসনদা মেগজিন য়াওবা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স ইন্সাস রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি স্নাইপ্পর রাইফল মরি, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর রাইফল অনি, এন্তি রাইওট গন অমা, নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী কাদর অনি মোতুম ফিবৌ অমসুং ককচিং খুনৌদগী মণিপুর পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অনি অসি মীয়াম, লনাই স্কুল অমদি ষ্টোন ক্রসর প্লান্টতগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা মীওই অহুম হিরোইন পাউদরনি চিংনবা সাপোন কেপ ১০০ গা কোন্ননা ফারে। পাউ অসিনা হায়- মীওইশিং অসি ঙরাং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল টেলেগ্রাফ ওফিস মমাংদগী ফাবনি। মখোয় মহিন্দ্র থার গাড়ি অমদা পোৎলমশিং অসি হাপ্তুনা পুরকপনি। হায়রিবা হিরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলম অসি পুন্না কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ১৬ লোম ওইগনি হায়রি।

চান্দেল (এল) ঃ এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্তরি ব্লড দোনরস মণিপুর, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ২১ শুবা অসাম রাইফলস, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল, ৱাইস ক্রাফটস অমদি দাম্পী চর্চ, এল.এন.বি.এ চান্দেলনা পুন্নাশিন্দুনা ঙরাং চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস কম ভোলুন্তরি ব্লড দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু রিমসকা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন অমদি মণিপুর এইদস সোসাইতি, ষ্টেট ব্লড ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মণিপুরগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি।

জেএন (এল) ঃ  ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিদা ফেষ্টিভেল ওফ আর্ট এন্দ কলচরেল এক্সপ্রেসন্সকী অহানবা ওহনা নুমিৎ ৪০ নি চুপা পাঙথোকখিবা থিয়েতরগী শরুক ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা কলা ক্ষেত্র মণিপুরগী হৈস্নাম তোম্বনা দিরেক্সন পীবা রিলিফ কেম্প কৌবা প্লে অমা উৎখি।

তোবেক্কো (এল) ঃ   মালেমগী ওইনা পাঙথোকরিবা ৱার্ল্ড নো তোবেক্কো ডে থৌরমগা মরী লৈননা ভারত লান্মীনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হিদাক মনা শিজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে। কাংপোকপী জিলাগী মাউন্ট কেবেলরি স্কুলদা ঙরাং তোবেক্কো ফ্রি লাইফ হায়বা হিরমদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোইরাংপুরেল অমদি ইথমদসু এন্তি তোবেক্কো এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কুনা ভারত লান্মীগী হেলথ এক্সপার্টশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

সিতারমন ঃ  কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- ২০১৪ দগী হৌনা সরকার অসিনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবদা মরোমদোম চেপচনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- মসিগী খুদম অমা ওইনা ওপরেসন সিন্দুল মায় পাকা পাঙথোকখিবনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায়গী ইন্তিগ্রেরেল হ্যুমেনিজম রেকচরগী চহি ৬০ শুরকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রীমতি সিতারমন্না ফোংদোকখি। মহাকা হায়- পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায়না লৈবাক অসিগী ঙাকশেল অসি খ্বাইদগী মরুওইবা হিরম অমা ওইনা লৌগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা সরকার অসিনা ঙাকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং কয়া পায়খৎপা ঙমলে।

দেলিগেসন ঃ  ভারতনা তেরোরিজমগী থৌওংশিং মুখৎনবা চংশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দল কয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসন ৭ না মালেমগী লৈবাক কয়াদা চত্তুনা খন্ন-নৈনবগী থবক চথুরি।

এন.সি.পি-এস.সি.পিগী এম.পি সুপ্রিয়া সুলেনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা অদিস অবাবাদা লৈবা এ.য়ু হেদক্কাটরদা আফ্রিকান য়ুনিয়নগী পিছ এন্দ সেক্যুরিতিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নখি।

ওরেপসন সিন্দুরদা ভারত লান্মীনা লান্দাবদা পাকিস্তানদা মীওই কয়া শিখিবা অদুগীদমক কলম্বীয়ানা অৱাবা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু লৈবাক অদুগী সরকারনা অমুক হন্দোকখ্রে।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং এম.পি. শশি থারুরনা কলম্বিয়াগী উপ-বিদেশ মন্ত্রি রোজা য়োনানদাগা ৱারী শান্নরবা তুংদা মখোয়গী ৱাফম অদু অমুক হন্দোকখিবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- কংগ্রেস এম.পি. শশি থারুরনা লুচিংবা দল পুম মক্কী ওইবা মীফম কাংবু অদুনা কলম্বিয়াগী মন্ত্রিশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা হন্দক থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ভারতকী ওইবা ৱাফম খঙহনখি অমসুং কলম্বিয়ানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুদা নুংঙাইতবসু ফোংদোকখি। অদুমওইনমক, ভারতকী ফিরেপ অদু নিংথিনা খঙহল্লবা মতুংদদি মখোয়গী ৱাফম অদু অমুক হন্দোকখিবনি।

অমরোমদা, শিব সেনাগী এম.পি. ডাঃ শ্রীকান্ট একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা অতোপ্পা মীহুৎ কাংবু অদুগী সৈরা লিওন খোঙচৎ লোইশিনখ্রে অমসুং দি.এম.কেগী এম.পি. কানি মোজিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা লাটভিয়াদা লৈবা ভারত মচাশিংগী উন্নখ্রে।

অত্মা নিরভরতা ঃ  দিফেন্স সেক্রেটরি রাজেশ কুমার সিংহনা হায়রি- ঙাকশেলগী লমদা আত্মা নিরভাতা ওইহনবা হায়বসি বিক্সিত ভারতকী পান্দম ফংহন্নবগী থৌরাংনি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ঙাকশেলগী মীফমদা শ্রী রাজেশ কুমারনা হায়- ২০১৫ দা মপান লমদগী পোৎ লৈবদা মকোক্তা লৈরম্বদু ঙসিদি মীরমদা পোৎ থাদোকপা মকোক থোংবা লৈবাক ২৫ গী মনুং চনবা ঙমলে। মহাকা হায়- ভারতকী কম্পনি ১০০ হেনবনা হৌজিক্তি মিসাইল, রোকেট লোঞ্চর, সিমুলেটর, আর্মর ভেহিকল, দোর্নিয়র এয়ারক্রাফট, তোঙান তোঙানবা মখলগী জহাজশিং অমসুং পেত্রো ভেসেল য়াওনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং লৈবাক ১০০ হেনবদা থাদোক্লি। লনাই উদ্যোগশিংদা রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টকী লমদা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা মেছিনরি অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংগী শক্তি হেনগৎহন্নবা শেল থাদনবসু হায়রি।

জেকে ঃ  জম্মু কাশ্মীরদা ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমা ওইনা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা হোর্তিকলচর বিভাগকা খুৎশমদুনা ইহান হানবা দেদিকেতেদ চেরি কার্গো মুভমেন্ট ঙরাং কাত্রা রেলৱে ষ্টেসনদগী মুম্বাই ফাওবা লমথাখ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- মসিনা জম্মু কাশ্মীরবু হোর্তিকলচরগী লমদা চাওখৎহনবা অমসুং মসি য়োনবগী থবক্তা শিংথানিঙাই ওইরবা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

ইন্দো-ব্রাজিল ঃ  ভারত অমসুং ব্রাজিল লৈবাক অনিনা সংগ্রিলা দাইলোগ ২০২৫ দা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা খন্নখ্রে। ভারতকী দিফেন্স ষ্টাফকী মকোক জেনেরেল অনিল চৌহান অমসুং ব্রাজিল আর্মদ ফোর্সেসকী মকোক এদমিরেল অগুয়াল ফ্রায়র অনিনা মালেমগী অমদি লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। ঙাকশেল, সমুদ্রগী লমদা মনিং তমা চৎথোক চৎশিন তৌবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা নাকল অনিনা তেংবাং পীননবগী

মতাংদসু ৱা খন্নখি।

-------